নুমিৎ নীনি চখুগদবা বরাক স্প্রিং ফেষ্টিবেল হৌরগনি

ইম্ফাল, মে ২০: শিরুই ফেষ্টিবেল ঙসি লোইশিনখ্রবা মতুংদা লাক্লিবা মে ২২ দগী নুমিৎ নীনি চুপ্পা চখুগদবা দ বরাক স্প্রিং ফেষ্টিবেলসু সেনাপটিদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

চহী খুদিংগী নিংথম থাগী মতমদা পাঙথোক্লম্বা বরাক ফেষ্টিবেল অসি চহী অসিদগীদি বরাক স্প্রিং ফেষ্টিবেল হায়বা অনৌবা মমিং অমগা লোয়ননা অনৌবা মতম ওইনা মে ২২ দগী পাঙথোক্কদৌরিবনি। ফেষ্টিবেল অসি নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসনননা শীন্দুনা পাঙথোক্কনি। ফেষ্টিবেল অসি 'রিক্লেমিং রেস্পোন্সিবিলিটিজ' হায়বা থিমদা পাঙথোক্কনি। ফেষ্টিবেল অসিনা লমদম অসিগী কল্চরেল হেরিটেজবু অমুক হন্না হিংগৎহনবগা লোয়ননা বরাক তুরেলগী অকোয়বগী ফীভম কনবতা নৎতনা ঙাক্তুনা থন্নদা মতেং ওইগদৌরিবনি।

ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী চাওবা তুরেল অমা ওইরিবা বরাক তুরেল অসি সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা মীয়ামগী ওইনদি ঈশ্বরনা পীরকপা খুদোল অমগুম্বনি। তুরেল অসিনা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টতা খুন্দারিবা তোঙান-তোঙানবা ট্রাইবশিংগী মরক্তা অমগা-অমগা ইকায় খুম্নবা অমদি অপুনবগী শক্তম উৎতুনা অমত্তা ওইবা ফ্যুচর শাগৎলিবনি। ফেষ্টিবেল অসিগী মনুং চন্না বরাক রন, বরাক নাইট, বরাক ভোইস হন্ট, বরাক স্পেসল, বরাক মেলোদি, ট্রেক্কিং, ফোক সোং, ইন্দিজিনস স্কিল অমদি লোকেলনা পুথোকপা পোৎলমশিংগী একজিবিসন অমসু পাঙথোক্কনি।

ফেষ্টিবেল অসিগী মেইন ভেন্যু ওইগদৌরিবা সেনাপটি মিনি ষ্টেদিয়মদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা চীফ গেষ্ট ওইদুনা হৌদোক্কনি। ফেষ্টিবেল অসি হৌদোকপগী থৌরমদা ট্রাইবেলস এফেয়র্স এন্দ হিলস অমসুং ফিশরিজকী মিনিষ্টর এন কায়সিনা চীফ হোষ্ট অমসুং পি এচ ঈ দি, প্রিন্টিং এন্দ ষ্টেসনরিগী মিনিষ্টর এল দিখোনা চীফ সেলেব্রেন্ট ওইনা শরুক য়াগনি।

লৈঙাক্কী সেরিকলচর দিপার্টমেন্ট অসি ফম মুন্নফম ওইনা ওন্থোকপীগনু : ফেদরেসন

ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচ এন এস) :

সেরিকলচর ফার্মরস দিভলপমেন্ট য়ুনিয়ন থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা সেরিকলচরবু হিংংহন্নীংবগী ৱাখল্লোনদা ফোঙদোরকপা ৱাফম অদু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট সেরিকলচর কোওপরেটিব ফেদরেসননা তরাম্না ওক্লি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট সেরিকলচর কোওপরেটিব ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট হিদাম অজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, সেরিকলচর দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফ মনুংদা মোত মান্নদবা, মথৌ শুনিংদবা, লৈরিবা প্রোজেক্টশিং অসি কাঙলোন চুম্না খঙদনা তৌনিংবতা তৌবা, মতিক ময়াই চাই চাদে খঙদনা ফম পান্বা, থৌদাং খঙনা থবক তৌদবা, থৌদাং য়াওদনা ৱা ঙাঙবা ষ্টাফ কয়া লৈ হায়বসি ঙসিদগী চহী ২৫ হেন্না দিপার্টমেন্ট অসিগা থবক তৌমিন্নরকপনা মুন্না খঙই অমসুং থেংখাঙ কয়াদা খুরৌ থাংই। সেরিকলচর দিপার্টমেন্টদা এম এস পি লাক্কবা হোৎনরকপদগী হৌনা সেরিকলচরগী প্রোজেক্টশিং পরম চুম্না কদায়দা শোয়খিগদগে হায়না খন্দুনা লাকপা অচৌবা থৌদাং লৌবা মীশকসু য়াওরি। অদুগুম্বা মীশকশিং অদুবু মিংচৎ থীনবা শীনবা অসিনা প্রোজেক্টশিং অসিবু মনিং হন্নবা অমদি সেরিকলচরবু তপ্না-তপ্না শিথহনবদা মতেং পাংবা ওইনা থোক্কনি। প্রোজেক্ট অসি হৌবদগী থৌদাং লৌরক্লুবা, প্রোজেক্ট অসিগী মওং মুন্না খঙদবা, মতিক মপা চাদবা মীওইনা ফম মুন্ননবা হোৎনবদা পুম্নমক্কী মাঙজবা ওইগনি।

পেদ ৱেজেজ পীবগী মতাংদা বিল অমা পাস তৌবদা ফাইনান্স ওফিসরনা থাধরক্লবা দি দি ওনা বিল এপ্রুভ তৌরগা দিরেক্টরনা গর্ভর্মেন্টদা এপ্রুভেলগীদমক্তা থাবনি। ফার্মর ট্রেনিং প্রোগ্রামগী মতাংদা কুমজা ২০১৫ কী ফেব্রুৱারী ১৮ দা থৌবালগী লুপা লাখ ১০, বিষ্ণুপুরগী লুপা লাখ ৫, ইম্ফাল ইষ্টকী লুপা লাখ ৭.৫ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী লুপা লাখ ২.৫ থাদোকখি হায়না রিপোর্ট ফংই হায়রি। অৱাৎপা খরনা দিরেক্টর তোয়না শীনবনা মরম ওইবনা হৌজিক-হৌজিক ফাওবা থাদোক্তনা লৈরি হায়রি। ইক্বিপমেন্টকী মতাংদনা ফার্মরশিংগী মথৌ তাবা শেনফম চানদদুনা মতম চানা পীথোকপা ঙমদে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

লমকাং কলচরগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

ককচীং, মে ২০ (ঐচ এন এস) :

লমকাং লিটরেচর সোসাইটি (এল এল এস) অমসুং লমকাং নাগা ক্লের কুনপুন (এল এন কে কে) না শীন্দুনা লমকাং কাঙলূপকী নাৎ, চৎনলোন অমসুং কলচরবু মাঙহন্দনা ঙাক্না থম্নবা পান্দমদা অহানবা ওইনা লমকাং কলচর নুমিৎ ২০১৭ (লমকাং কলচরেল দে ২০১৭) কী থৌরম ঙসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী পি রালরিংখু ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে।

দি শেটৱোর, লিটরেচর পাইওনরনা লমকাং নাগা ক্লের কুনপুন (এল এন কে কে)গী ফ্লেগ চিংখৎতুনা কলচরগী নুমিৎ থৌরম হৌদোকপগা লোয়ননা ঙসিগী লমকাং কলচর নুমিৎকী শরুক অমা ওইনা লমকাং কাঙলূপকী তোঙান-তোঙানবা কলচরশিংগী লিটরেচর মেটরিএলশিং *জিকবুল লাইকা, পৌমিন লাইকা, ফুং লাইকা* অমসুং *কলচরেল দি ভি দি* রিলিজ তৌখি।

লমকাং কলচর দে ২০১৭ গী সেক্রেটরি লভসন শিলশিনা হায়খিবদা লমদম অসিদা সাউথলোমগী অমদি হিন্দিগী কলচরনা মরম ওইদুনা কাঙলূপ অসিগী কলচর অসি নোংম-নোংমগী অসুম-অসুম মাঙশিল্লকপনা মরম ওইদুনা কাঙলূপ অসিগী কলচর অসি কন্নবগীদমক লমকাং কলচর দেগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা এল এন কে কেগী আর্ট এন্দ কলচরেল সেক্রেটরি কে থোলুংনা ফোঙদোরকপদা মতম কুইনা শিথরুবা ঐখোয়গী ইপা-ইপুগী চৎন-লোনচৎ কষ্টমরিশিং অসি হিংংহনসি। ঐখোয় লমকাং খক্তা নৎতনা মণিপুরদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না মতেং পীবীরগা ঐখোয়গী অদুঙৈগী পারী-পুরীগী মরী মতাশিং, ৱারী-পুরানশিং অমদি লৈথারোনশিংদা শোথরক্লিবা কয়া অসিগী হিংগৎহনসি হায়বগী ৱাখল্লোনদা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা দি থমদোক, প্রসিদেন্ট এল এন কে কে, অমরসন সনখিল প্রিন্সিপাল জে এন ভি মোন মিনিষ্ট্রি ওফ ঐচ আর দি গর্ভর্মেন্ট ওফ ইন্দিয়া, মিস লেরা, লিটরেসি স্পেসিএলিষ্ট অমসুং জোন এস শিলশি আই পি এস (রিটায়ার্দ) জোইন্ট দিরেক্টর এন এস সী এস (পি এম আই) গর্ভর্মেন্ট ওফ ইন্দিয়াসু শরুক য়াখি।

ঙসি পাঙথোক্লিবা লমকাং কলচরগী নুমিৎ অদুদা মণিপুরদা খুন্দারিবা লমকাং কাঙলূপকী খুল ৩০ দগী লাকখিবা কলচরেলগী কাঙলূপশিংনা ফোক সোং, জগোই, ঈশৈ অমদি মখল কয়াগী থৌরম কয়া উৎপনা মপুং ওইবা থৌরমশিং ওইখি।

ন্যুজ রিপোর্টিংগী এপ্লিকেসন কৌরি

ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচ এন এস) :

দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সকী ওইবা ষ্টেট ইন্সটিট্যুট ওফ জর্নেলিজমগী মখাদা ন্যুজ রিপোর্টিংগী মতাংদা নুমিৎ তরেৎনি চথুগদৌরিবা বেসিক কোর্সতা শরুক য়ানিংবশিংগী এপ্লিকেসন কৌরি হায়না আই পি আরগী দিরেক্টর মেঘচন্দ্র কোংবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ন্যুজ রিপোর্টিংগী মতাংদা চথুগদৌরিবা কোর্স অসি চুড়াচান্দপুরগী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরসতা লাক্লিবা জুন থাগী অহানবা চয়োলদা হৌগনি। কোর্স অসিদা শরুক য়ানিংবা ফ্রেশ কেন্দিদেটশিংগী ওইনা মহৈগী থাক অসি গ্রেজুয়েট ওইগদবনি। অদুমকপু ট্রেনিং অসি মরুওইনা ৱার্কিং জর্নেলিষ্টশিংদা প্রিফরেন্স পীগনি। ট্রেনিং কোর্স অসিগী সীট মশীং ২০ ওইগনি। মরম অসিনা ট্রেনিংদা য়াওগদবা কেন্দিদেটশিং খনবগী মওং অসি ফার্ষ্ট কম ফার্ষ্ট সর্ভ ওইগনি। ট্রেনিং অসিগীদমক খল্লবা কেন্দিদেটশিংনা কোর্স ফী ওইনা লুপা ৩০০ কেশ ওইনা দিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্মেসন ওফিস চুড়াচান্দপুরদা দিপোজিট তৌগদবনি। ট্রেনিং অসিদা শরুক য়ানিংবা কেন্দিদেটশিংনা মখোয়-মখোয়গী এপ্লিকেসনশিং অদু মরী লৈনবা এদ্যুকেসনেল সর্টিফিকেটশিংগা লোয়ননা পাসপোর্ট ফোটোগ্রাফ অনী হাপ্লগা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্মেসন ওফিসরদা লাক্লিবা মে ৩১ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লক্কদবনি হায়নসু চেরোলদুনা খঙহল্লক্লি।

'মীতৈ পাঙলশিংবুসু থোং মান্ননা চাউখৎনবা হোৎনবীয়ু'

ইম্ফাল, মে ২০ : মণিপুরদা খুন্দারিবা ফুরুপশিংগী চাউখৎ থৌরাং লৌখৎলকপদা মীতৈ পাঙলশিংগীসু য়েংশিনবীরক্কনি হায়বগী থাজবা মণিপুর মুস্লিম ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি জিয়াউল হুসেননা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

লমদম অসিগী লৈঙাক অসিনা লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক থোং মান্ননা অমদি নুংশি-চান্ননা, ঈং-তপ্না হিংবা ঙম্নবগী পান্দমদা লৈঙাক্কী লুচিংবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংনা খুন্দারিবা মফমশিংগী দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী পেক্কেজ কয়া থাদরি অমদি লমদম অসিগী মীওইশিংগী লু-তোংদা মতম কয়াগী মমাঙদগী তমথীরবা লায়নাদগী হেন্না শাথীরবা লায়না অমগুম লৈরক্লবা শেঞ্জা-থুমজা অসি ঙসিগী খুন্নাই অসিদগী মুখৎনবগী পান্দমদা এন্টি করপসন সেল হাংদুনা শেঞ্জা-থুমজাগী মায়োক্তা থবক লৌখৎলিবা অসিনা লমদম অসিদা লৈরিবা শেঞ্জা-থুমজাগী চৎনবী অসি খরমখৈদি চুমথোকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবগা লোয়ননা মণিপুর গর্ভর্মেন্টনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিবুদি লূপ অসিনা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

অদুবু লুরিবদি লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা ফুরুপ খরখক চাউখৎলগা পুম্নমক চাউখৎলে হায়না লৌবদি লানগনি। মণিপুরগী তম্পাক লমশিংদা খুন্দারিবা মীতৈ পাঙলশিং অসি খুন্নাইগী শেল-থুমগী হীরম খুদিংমক্তা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক্তগী খ্বাইদগী হেন্না শোথনা লৈরিবা কাঙলূপ অমনি।

হায়রিবা ফুরুপ অসিগীদমক বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা গর্ভর্মেন্ট অসিনা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপদা থোং মান্ননা হিংবা ঙম্নবগী পান্দমদা থল্লম্বা য়াই। অদুবু ঙসি ফাওবদি মমি তাদ্রি। মণিপুরনা বৃটিশকী লৈঙাক্তগী মনিং তম্লকপদগী ঙসি ফাওবগী পুৱারীদা অহানবা ওইরিবা মীতৈ পাঙলগী রাজ্য সভাগী এম পি ওইনা ৱাবগাই এ সীদগী কয়ারক হন্না মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীহুৎ ওইরক্লবা মহমদ অব্দুল সলামবু থাবীরম্মী। অদুবু রাজ্য সভাগী টার্ম শুদ্রিঙৈদা অব্দুল সলাম লৈখিদ্রে। অদুবু লূপ অসিনদি এন বিরেননা লুচিংবা গর্ভর্মেন্ট অসিনা শোয়দনা মীতৈ পাঙলশিংগী মরক্তগী মীওই অমদা টিক্কেট পীদুনা লৈখিদ্রবা অব্দুল সলামগী মহুৎতা থাবীরক্কনি হায়না খল্লম্বনি। অদুবু মসিগী ওন্ন-তৈনবা খোঙথাং লৌখৎপীরকপা অসি লমদম অসিদা মৈহৌরোলদগী হৌনা লমদম অসিগী লৈঙাকপদা মণিপুর মুস্লিমশিংগী মফম পীদুনা লাক্লি।

হন্দক্কী গর্ভর্মেন্ট অসিনা দিসিজন মেকিং বোদি ওইরিবা কেবিনেট মিনিষ্টরশিংগী মরক্তসু মীতৈ পাঙলশিংগী মরক্তগী কারকপা মীহুৎ অমা য়াওহনবগী খুদোংচাবা লৈত্রবসু মীতৈ পাঙল নৎতবা জিরিবামদগী কারকপা অসব উদ্দিনদা কেবিনেটকী চার্জ অমদি পুহনফম থোকপনি। লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংগী সী এস ও অমদি লাইনিংগী লুচিংবশিং চেপোউ পীদুনা ফুরুপশিং অদুগী লুচিংবশিং উনবগী থৌরাংগী মরমদা অমদি ফুরুপ অদু হিংবগী মরমদা নৈনরি। অদুবু মীতৈ পাঙলগী সী এস ওশিং অমদি লাইনিংগী লুচিংবশিং ঙসি ফাওবা ফম্মীন্নদুনা ফুরুপ অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী মরমদা অমসুং ফুরুপ অসিগী হৌজিক ওইরিবশিংগী মরমদা খনবীদবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। লৈরিবা গর্ভর্মেন্ট অসিনা কেবিনেট মিনিষ্টর হাপ্পীদ্রবসু চীফ মিনিষ্টরনা পায়খৎকদৌরিবা তোঙান-তোঙানবা দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামশিংদদি শোয়দনা য়াওহন-বীরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়রি।

ꯃꯥꯡꯈꯤꯕ/DOCUMENT LOST

I have lost my Marksheet and Admit Card of HSLC Examination, bearing Roll No. 32258 of 2013 issued by BOSEM and Hr. Sec. Exam. bearing Roll No. 19269 of 2016 issued by COHSEM respectively on the way from Lamphel to Chingamakha on 19/05/2017.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Kishan Heikrujam
Singjamei Makha Naorem Leikai
HL-P/0753/21

ꯇ꯭ꯔꯤꯄꯜꯁꯨꯔ ꯀꯣꯆꯤꯡ ꯁꯦꯟꯇꯔ
TRIPLESUR COACHING CENTRE
Sega Road, Thouda Bhabok Leikai

Foundation Course for Class- IX & X (CBSE)
***Subject :* English, Math, Science, Social Science, Manipuri**
Class starts on 15th May, 2017 (Evening)
***Duration :* 4 months**

- *Lowest fee with instalment basis*

Special Attraction :
- Well qualified experienced teachers
- Chapterwise Assessment
- Previous year questions analysis

Van Service Available

For more details, pliz contact : ☎ **8131029680**
8794523940
HL-P/1525/7-21 May

ꯃꯥꯡꯈꯤꯕ/DOCUMENT LOST

I have lost my Original Certificate of HSLC Examination (Class-X), bearing Roll No. 656 of 1991 issued by BOSEM and Marksheet of Hr. Sec. Exam. (Class-XII) bearing Roll No. 19778 of 1995 issued by COHSEM on the way between Patsoi and Imphal on 16/05/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Khongbantabam Surjit Singh
Patsoi Part - III, **# 8575122450**
HL-P/0746/21

OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION
ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE
The 18/05/2017

No. IMC/86/RO/Shop-Trnf/2016/News Approval - অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Women Vendor No. 2 Laxmi Bazar Shed No. 6, L No.-696 শ্রীমতি (L) Choudhurimayum Ongbi Nomita Devi w/o (L) Choudhurimayum Bizon Sharma, Singjamei গী মিংদা Women Vendor পানবা অসি Vendor মশা লৈখিদ্রে। মরম অদুনা মৃত লাইসেন্স হোল্ডরগী মচাশিংনা Choudhurimayum Ongbi Dhaneswori Devi w/o (L) Choudhurimayum Omiyo Sharma, Singjamei Chirom Leikai দা Women Vendor গী মিং ওনীবরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা লাইসেন্সকা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌরোই অমদি লাইসেন্সকী মিং ওনখ্রগনি।

Sd/- **Revenue Officer**
Imphal Municipal Corporation
HL-P/0738/21

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯊꯣꯛꯄꯤꯌꯨ/দশা য়েংথোকপীয়ু

কুঠী য়েংবা ঃ নিংথৌকাবা, য়ুমশকৈশা, থাংজ (দশা, মহৈ-মশিং, লন, থবক, য়ুম্বান, অঙাং লৈতবা)

অনাবা য়েংবা ঃ নোংমাইজিং, শগোলশেন (লাইও খঙদনা নাবা, কুইরবা অনাবা, তরং চৎপা, পোৎশেম যাদু, লাইগী মরম)

খুবাক ময়ি ঃ ইরাই নুমিৎ। লাকপদা কুঠী পুবিরকউ।

মতম ঃ অয়ুক পুং ৮ দগী ১২, নুংথিল পুং ২.৩০ দগী ৪.৩০ ফাওবা, লৈবাকপোকপা য়েংজদে।

মীয়ামগী ঃ
JM Dr. Ph. Rajendra (Rajendra Phai)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Academy Road, Imphal
HL-P/0185/25 Ap-25 May(Alt)

GOVERNMENT OF MANIPUR
SECRETARIAT : FORESTS & ENVIRONMENT DEPARTMENT

NOTIFICATION
Imphal, the 20th May, 2017

No. 03/01/2016-For. & Envt.: In continuation of this Government Advertisement dated 19-11-2016, the number of vacancies of direct recruitment for the post of Range Forest Officer under Rangers' Recruitment Rules 1996 stands increased from 20 (twenty) to 28 (twentyeight).

The categorywise distribution of posts are as below :

Total No. of Posts	UR	SC	ST	OBC (Meitei)	OBC (Meitei Pangal)
28	10	0	11	6	1

Sd/- **Kengoo Zuringla**
Joint Secretary (Forests & Environment)
Government of Manipur
HL-P/0750/21

ꯏꯁ꯭ꯀꯣꯜ ꯌꯣꯟꯖꯔꯤ/ইস্কোল য়োঞ্জরি

ময়ায় লম্বীদা ইম্ফালদগী **K.M. 5** মুক হাইথরগা লম্বীগা তাইনবা পোইন্ট ০.৬ চাউবা ইস্কোল অমা য়োঞ্জরি। পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী ফোন নম্বর অসিদা অকুপ্পা মরোল খঙবীয়ু।

Contact : 8974373264
8732867163
HL-P/0749/21

ꯏꯁ꯭ꯀꯣꯜ ꯌꯣꯟꯖꯔꯤ/ইস্কোল য়োঞ্জরি

খুরাই সলাম্থোং কোন্সম লৈকায় ম্যেন রোডকা হেক তাইনবদা **Point 15** চাউবা ইস্কোল অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ লৌবীবা য়াগনি।

Contact : 7085647424
8575188457
HL-P/0740/20,21,22

OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION
ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE
Purana Bazar, the 20/05/2017

No. IMC/86/RO/Shop-Trnf/2016/News Approval - অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Women Vendor No. 1 Purana Bazar Licence No. 1191 Seat No. 9 শ্রীমতি Chingsubam Memcha Devi w/o (L) Ch. Binod Singh of Kangjabi Mamang Leikai গী মিংদা Women Vendor পানবা অসি Vendor মশানা শ্রীমতি Mutum Ongbi Ibemcha Devi, w/o M. Nando Singh of Oinam Leikai দা Transfer তৌবীদুনা Licence কী মিং ওনবীরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা লাইসেন্সকা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌরোই অমদি লাইসেন্সকী মিং ওনখ্রগনি।

Sd/- **Revenue Officer**
Imphal Municipal Corporation
HL-P/0751/21

ꯇꯟꯇ꯭ꯔ-ꯃꯟꯇ꯭ꯔꯒꯤ ꯐꯥꯎꯔꯕ
তন্ত্র মন্ত্রগী ফাওরবা
বাবা করিম খান-অজমীরদগী লাকপা

য়ুমদা অৱা-অনা তারবদা কোকহনবা ঙম্বা, লম চথোকপা, লল্লোন-ঈতিক্কী থবক তৌবদা অপনবা লৈবা, ফিল্মদা থবক তৌবা, লুহোং-কৈহোংবদা অপনবা লৈবা, অঙাং য়াওবা ঙমদবা, শেন-থুমদা অপনবা লৈবা, য়েক্লবা লৈবা, য়ুম-পানবদা খায়নবা, অপাম্বা থুংনবা (নুংশিনবা), মীনা ফত্তবা জাদু তৌরকপা লৌথোকপা, হীরমশিদা হৈশিংলবা মীশকনি। অৱাবা লৈবা খুদিংমক ফহনবা ঙল্লবা মীশকনি।

- ***Time : 9.00 am to 5 pm. Hatta, Checkon Road, Near Orient Hotel.***
- ***নুপী Receptionist*** অমা অথুবদা পামজৈ।
- ***Salary - ₹ 5000/- to 8000/-***

☎ **7629937919**
HL-P/1380/22/4-22/5

ꯄꯥꯏꯜ ꯀꯦꯁꯀꯤ ꯃꯥꯌ ꯄꯥꯛꯂꯥ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯖꯔꯤ
পাইল কেসকী মায় পাক্লা লায়েংজরি

নুংশঙনা মরম ওইদুনা শৌজ নাম্থবা, অমাঙথোংগী অকোয়বদা ফুরি মকুপ-মকুপ থাংবা, ফুরি থুংবা, মরেং-মরেং চৎপা হাক্কৎচবা, অমাঙথোংগী মপানদা মখুল হুৎলকপা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, ঈ তাবা, খ্বাঙ নাবা হায়রিবা লায়নাশিং অসি মায় পাক্লা লায়েংজরি।

লায়েংফম ঃ
Haffiz Hatta Minuthong JNIMS Road

অদোমগী Pile Cure :
Kabiraj Md. Nasir Khan
☎ **9615033039 / 7085385283**
HL-P/1519/7-21May

ꯂꯥꯏꯁ꯭ꯔꯝ ꯁꯨꯙꯥꯀꯔ (ꯁꯥꯃꯨ) ꯕꯨ ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ
লাইশ্রম সুধাকর (শামু) বু থাগৎচরি



L. Sudhakar

শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক, আই টি আই ইম্ফাল মনাক্তা লৈবা নুঙগী লায়েংবা বাবা লাইশ্রম নবকিশোরগী মচানিপা **লাইশ্রম সুধাকর (শামু)** না বাবাগী মহুৎ শীন্দুনা লায়েংবিবদগী ঐগী ওইরোমথংবা কিডনীগী LOWER CALYX তা এম এম ৪ চাউবা নুঙ অনীগা ঈশিং মরীদা এম এম ১১ চাউবা নুঙ অমগা পুন্না নুঙ অহুম লৈবদগী ইয়াম্বা সুধাকরগী মনাক্তা চৎচদুনা ইয়াম্বগী হীদাক হপ্তা তরেৎ চাবীনবা হায়রকপগী মতুং ইন্না চাবা হৌবা হপ্তা ৪ শুবদা অলত্রা সাউন্দ লৌরুবদা ঈশিং মরীগী নুঙ অদু লৈবা উদ্রে। অদুগী মতুং লেমহৌরিবা হপ্তা অহুমদু চারবা মতুংগী অলত্রা সাউন্দদসু কিডনীগী নুঙ অনীদুসু লোইনা লৈরমদ্রে। মরম অসিনা ইয়াম্বা সুধাকরগী হীদাক চাবীরিবা-চাবীরিবী পুম্নমক্না হপ্তা ৫/৬ চারবফাওবা তারক্ত্রে হায়না মীপাইবা তৌবীদনা অমসুং চাবীয়ু হপ্তা মশীং শুনা চারবা মতুংদা অলট্রা সাউন্দ লৌরবা মতুংদা ঐগুম্না নুঙ পুম্নমক তুমদুনা মাঙখিবরা হায়না য়েংবীয়ু হায়না ইয়াম্বা সুধাকরবু থাগৎচবগা লোয়ননা পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না ফোঙদোকচরি।

***Sd/-* Nongmeikapam Ojit Singh**
Mayang Imphal Konchak Mamang,
☎ **9615559478**
HL-P/1530/21,22,23



job vacancies

JOB AD-1 :- WANTED AD STAFF ONLINE / OFFLINE
Post :- Ad Posting Staffs (Can work at Home or Office)
Qualification :- X to Any Graduate, Age -18 to 35 Years only.
Salary :- Rs-6000 to 12,600. Monthly Comm-Rs-3000 & Above

JOB AD-2 :- NATIONALISED BANKING JOB IN IMPHAL
Post :- Accountant , Operator, Driver ,Asst-Manager, Data Entry Secruity , Loan Officer, Sales Officer, Cashier for Back Office Insurance Manager & Area Manager
Monthly Salary :- Rs-12,500 to 28,000. Qua :- X to Graduation

JOB AD-3 :- S.M.S SENDING OR FORWARDING JOB AT HOME (PART TIME JOB)
-Join SMS job at Home by working one hour a Day.
Qua :- VIII to above ,Age -No age Bar, Salary :- Rs-4500 to Rs-9200/month.

JOB AD-4 :- URGENT WANTED JOB PLACEMENT IN AIRLINES & MERCHANT NAVY JOB (LOCATION :- IMPHAL & DELHI)
AIRLINES JOB :- Ground staff, Air Hostess, Air Ticketing & Caro Driver.
Navy Job:- G.P Rating, Deck Cadet & D.N.S Cadet
Entry Age:- 17 to 36 Years , Qualification :- X/XII to Graduate. or ITI Pass.

JOB AD-5 :- INTERNATIONAL JOB AT -MALAYSIA, SINGAPORE & DUBAI
Job :- Accountant, Security, General Worker , Gorund Operator & Piping
Qua :- X-Graduate or Experiance. Age -18 to 38 years.Salary :- Rs-45,000-above.

-URGENT JOB IN IMPHAL-
JOB- FRONT RECEPTION , ATTENDENT , HELPER,SWEEPER ,PEON,COOK & DRIVER. Qualification :- VIII to XII. Age-18 to 34 Years. Salary :- Rs-5000 to 13200 monthly.

FOR DETAIL VISIT US AT :-
LEIMA JOB GUIDELINE SERVICE
KWAKEITHEL BAZAR ,AIRPORT ROAD ,IMPHAL
Office Hour- 10:00am to 03:00pm.Helpline nos-8974975286
HL-B/3787/28/3-27/5 (Alt)

ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং
য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স

১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঙ্গখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লুবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Regd. No. 4277 of 82 April
Phone No. **9615533737, 9856271907**
DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee
HL-B/3843/28/04-27/05

Vivex Th.
Rk. Iswarchand
Abhinay Th.
Sanathoi Ksh.
L. Pareihan
Tania Haobam
Sochan Sh.
Susama Y.
Sh. Kishan
Rema Naorem
Harlson Y.
Y. Arvind

BYS-PMT
ꯕꯤ ꯋꯥꯏ ꯑꯦꯁ
Keishampat Opp. Tiddim Oil Pump
ADMISSION OPEN
CLASS XI FOUNDATION CUM MEDICAL
CLASS XII FOUNDATION CUM MEDICAL
6 MONTHS REGULAR MEDICAL 2018
BYS ALUMNI PURSUING MBBS
CLASS COMMENCES: JUNE 01, 2017
FEE CONCESSION
TOP 50 (Screening Test)
Former BYS students
FREE ACCOMODATION
WELL-EXPERIENCED FACULTY
BEST STUDY MATERIALS
Plz contact: BYS, Macha Leima School, Palace Compound.
9856088990, 9863284750
HL-B/3855/7-21May

ꯕ꯭ꯂꯣꯛ ꯃꯁꯤꯟꯒꯤ ꯆꯦꯛ ꯐꯪꯕꯤꯒꯅꯤ
BLOCK MACHINE গী চেক ফংবিগনি
M/S E.B.S. BRICK FIRM
Heirok Part-II Gate Palli Road

Class	*Rate*	*No. Brick*	*Brick Amount*	*Transport Charge*	*Labour Charge*	*Total Amount*
1st	8.30	3000	24900	3000	600	28500
1st	8.30	2000	16600	2000	400	19000
1st	8.30	1500	12450	1500	350	14300
2nd	8.00	3000	24000	3000	600	27600
2nd	8.00	2000	16000	2000	400	18400
2nd	8.00	1500	12000	1500	350	13800
1st Rej.	7.30	3000	21900	3000	600	25500
1st Rej.	7.30	2000	14600	2000	400	17000
1st Rej.	7.30	1500	10950	1500	350	12800
P.T.	6.50	3000	19500	3000	600	23100
P.T.	6.50	2000	13000	2000	400	15400
P.T.	6.50	1500	9750	1500	350	11600
3rd	3.70	3000	11100	3000	600	14700
3rd	3.70	2000	7400	2000	400	9800
3rd	3.70	1500	5550	1500	350	7400
Chektek (407 one load)			3500	1500	350	5350

***Proprietor :-* E.B.S.**
Please Contact ☎ 9856310240
HL-P/1564/11-20 May